# রিও ওলেম্পিক্স ঃ রেষ্টলর হরদিপ সিংহ মায়থীদুনা গেমসতগী মপান থোকখ্রে, নরসিংহ রিওদা শরুক য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা খঙদ্রি





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ ঃ রেষ্টলর হরদিপ সিংহনা মফম অসিদা চত্থরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী গ্রেকো রোমানগী কেজি ৯৮ গী ১/৮ ফাইনেলদা টর্কিগী সেঙ্ক ইলদেমগী মখূৎতা পোইন্ট ১-২ দা মায়থীহৌদুনা গেমসতগী মপান থোকখ্রে।

রেষ্টলর অনীমক্না অহানবগী পেরেদতা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। রেষ্টলর অনীগী মিৎ পেন্নিংঙাই ওইরবা খূৎশান্না অদুদা মখোয় মশানা মাঙজিল থাননবা খুদোংচাবা অমত্তা লৌনবা ঙম্মখিদে অমদি চহী ৩০ শুরবা টর্কিগী রেষ্টলরবু জজনা পেনালটি পীখি। হরদিপসু খুদোংচাবা অমত্তা লৌবা ঙমদনা অনীমক্না পোইন্ট অমত্তা স্কোর তৌবা ঙম্মদনা লৈখি।

অহানবা পেরেদকী মিনিট অনী চৎপা মতমদা হরদিপনা ফাওল তৌখিবদগী জজনা পেনালটি তৌখি অমদি ইলদেমনা পোইন্ট ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অনীশুবা পেরেদতা ইলদেমদা ৱার্নিং তৌদুনা শান্নবা অদু হৌখি। মসিদা চহী ২৫ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা পোইন্ট অমা ফংবা ঙমখি। সেকেন্দ ৩০ চৎপা মতমদা রেষ্টলর অনীমক্না অমনা অমবু নমথননবা হোৎনরকখি। অদুবু কান্নবদি ফংখিদে। অরোইবদা টর্কিজনা হেন্না খুদোংচাবা ফংখি। অদুগা হরদিপনা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। হরদিপনা লৈহৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমানগী কেটাগোরিগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

অতোপ্পা গ্রেকো রোমানগী কেটাগোরিদা শরুক য়াখিবা রবিন্দর খাত্রিনা হঙ্গেরিগী বিক্তর লোরিঞ্জগী মখূৎতা টেক্নি কেলগী ওইবা ৱাফমদা মায়থীহৌখ্রে।


অমরোমদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নরসিংহ য়াদবনা চঙশিল্লকপা ওলেম্পিক্কী কেম্পেনদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না মহাকপু দ্রগ শীজিন্নদ্রে হায়বগী ৱারোল পীখিবা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) গী মায়োক্তা আপিল তৌননবা ৱারেপ লৌখিবদগী অপনবা ওইখ্রে।

হৌজিক নরসিংহ য়াদবকী ওইরিবা ফীভম অসিনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী মতাংদা চমন্নবা লৈখ্রে।

## OLYMPICS MEDALS

| POS. | COUNTRY | GOLD | SILVER | BRONZE | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | USA | 27 | 24 | 26 | 77 |
| 2 | GREAT BRITAIN | 16 | 17 | 8 | 41 |
| 3 | CHINA | 15 | 14 | 18 | 47 |
| 4 | RUSSIAN | 11 | 12 | 13 | 36 |
| 5 | GERMANY | 9 | 7 | 6 | 22 |
| 6 | ITALY | 8 | 9 | 6 | 23 |
| 7 | FRANCE | 7 | 10 | 9 | 26 |
| 8 | JAPAN | 7 | 4 | 16 | 27 |
| 9 | NETHERLANDS | 7 | 2 | 3 | 12 |
| 10 | AUSTRALIA | 6 | 7 | 9 | 22 |
| 11 | KOREA | 6 | 3 | 5 | 14 |
| 12 | HUNGARY | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 13 | SPAIN | 4 | 0 | 2 | 6 |
| 14 | NEW ZEALAND | 3 | 6 | 0 | 9 |
| 15 | CROATIA | 3 | 1 | 0 | 4 |

## হান্নগী ফিফাগী প্রসিদেন্ট জাও হেভালেঞ্জ লৈখিদ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ ঃ ফিফাবু গ্লোবেল পৱর হাওস অমা ওইননবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা হান্নগী ফিফাগী প্রসিদেন্ট জাও হেভালেঞ্জ মশাগী চহী ১০০ শুবদা লৈখিদ্রে।


মহাক্না লৈখিদবগী পাউ অদু রিও দি জানৈরোদা লৈবা সমারিটানো হোস্পিটালনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে। মহাকপু হোস্পিটাল অদুদা হৌখিবা জুলাই থাদা নিমোনিয়ানা নাবদগী লায়েংদুনা লাকখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৬

1. কুমজা ১৯৬৬ তা ইংলেন্দা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোকখি। মদুদা ৱেম্বলি ষ্টেদিয়মদা ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেগী টিম্না শান্নগদবা মেচ অমা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অমদা হোংহনখি। মসিগী মরম করিগীনো?
2. ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াগে হায়রবদি শান্নরোয় অমগী মশাগী চহী কয়া শুগনি?
3. মখাগী ৱাহৈশিং অসি করম্বা হঙ্গেরিগী ৱর্ল্ড কপ শান্নরোয় অমনা হায়খিবগে -"পুৱারীদা খ্বাইদগী ফবা (হৈবা) ফুটবোল শান্নরোয়দি দি ষ্টেফেনোনি। ঐহাক পেলেবু শান্নরোয় অমা ওইনা লৌদে, মহাক্তি মসিদগী হেন্না ৱাংনা লৈ"।
4. ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অমা, শেঙ্গেংগী অনী ফংখিবা শান্নরোয় অমা মশাগী চহী ৯৭ শুবা মতমদা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্টা ওলেম্পিক্কী হৌদোকপগী থৌরমদা চেবাউ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। খ্বাইদগী শাংনা পুন্সিবা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবা শান্নরোয় অসি মশাগী চহী ১০১ শুগদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলিঙৈদা কুমজা ১৯৯৯ দা লৈখিদে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
5. শ্রী পাঙম্বম নিলকমল সিংহনা মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওলেম্পিক্কী শান্নরোয়নি, মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমসদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।**

**ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**



# ইন্দিয়াদা হোকিগী ঈহৌ লাকখিবা অমসুং ওলেম্পিক্স এরেনা য়ৌরকখিবা



*ইন্দিয়ন হোকি টিম - ১৯২৮ ওলেম্পিক্স*

**ওলেম্পিক হোকিদা ইন্দিয়া**
**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

চহীদুদসু ইন্দিয়ন হোকিগী ফীভম থোইনা ফগৎলকপা ওইখিদে। তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈখি। সিওল ওলেম্পিক্স গেমস (১৯৮৮) গী অহানবা মেচতা ইন্দিয়া টিম য়ু এস এস আরগী মখূৎতা ০-১ দা মায়থীখি।

অনীশুবা মেচ জর্মনিগা শান্নবদনা ১-১ দা দ্রো ওইখি। অহুমশুবা মেচ ওইনা কোরিয়াগা শান্নবা মতমদদি ৩-১ দা থোইখি। মসিগী মখা তাবা মেচ কনাদাগা শান্নবদসু ৫-১ দা থোইখি। অদুবু বৃটেনগা শান্নবদদি ০-৩ দা ইন্দিয়ন টিম মায়থীবা নংখি। সিওল ওলেম্পিক্স (১৯৮৮) গেমসতা গ্রেট বৃটেন্না সনাগী মেদল লৌখি। ৱেষ্ট জর্মনিনা শিলভর অদুগা নেদরলেন্দসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মমাঙগী রেকোর্দতা ইন্দিয়াগী মথংদা পাকিস্থানসু হোকিদা চাওনা মফম কল্লকখিবা লৈবাক অমনি। কুমজা ১৯৬০, ১৯৬৮ অমদি ১৯৮৪ দা পাকিষ্টান্না ওলেম্পিক্স গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ১৯৫৬, ১৯৬৪ অমসুং ১৯৭২ দা শিলভর মেদল লোয়ননা কুমজা ১৯৭৬ অমদি ১৯৯২ দা মথংশিংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। গ্রেট বৃটেনসু ওলেম্পিক্স হোকিগী গোল্ড মেদল কুমজা ১৯০৮, ১৯২০ অমসুং ১৯৮৮ দা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা আর্টিফিসিয়েল টর্ফতা অহানবা ওইনা খোঙদাদুনা শান্নরকখিবসিদি কুমজা ১৯৭৬ কী মোন্ত্রিল ওলেম্পিক্স গেমসতনি। হান্না রেঙ্ক অমদগীনা অহুমশুবা ফাওবদা লৈরম্লগা খঙহাই হাইথখিদুনা ইন্দিয়ানা তরেৎশুবা থাক্তা লৈখিবসি মোন্ত্রিল ওলেম্পিক গেমস (১৯৭৬) তগীনি। ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা মায়থীখিবসি ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবদা ১-৬ তা থোইখিবা অসিনি। অদুবু কুমজা ১৯২৮ দগী লেপ্তুনা মথং মথং ওলেম্পিক্স গেমস ১৫ শান্নরকপদা ইন্দিয়া টিম্না পূন্না চনখিবা স্কোর অসি ৩৭২ নি। -মথং-মথং

হান্নগী মখা...

কুমজা ১৯২৮ দগীনা ১৯৫৬ ফাওবদি ইন্দিয়ন হোকি টিম্না ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌরগা অদুমক লাকখিবনি। মসিগী মতুং মখা তারকপদদি শিলভর অমদি ব্রোঞ্জনা অমুক চহী খরা মহুৎ শিনখি। কুমজা ১৯৭৬ কী মোন্ত্রিল ওলেম্পিক্স গেমসতদি খঙহাই হাইথখিদুনা তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈখি। অদুবু কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলেম্পিক্সতদি ইন্দিয়ন হোকি টিমগী ফীভম খরা অমুক ফগৎলকখি।

ওলেম্পিক্স গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা টাঞ্জানিয়াবু ১৮-০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতদি ইন্দিয়াগা পোলেন্দগা ২-২ দা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা মেচতসু স্পেনগা ২-২ দা গোলগী ফীভম মান্ননা লৈখি। মথংগী মেচ ওইনা ক্যুবাগা ইন্দিয়াগা শান্নবদা ১৩-০ দা থোইখি। মখা তাবা মেচতা য়ু এস এস আরগা শান্নবদসু ইন্দিয়ানা ৪-২ দা মায়থীবা পীখি। ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা স্পেনবু ৪-৩ দা থোইরগা ওলেম্পিক্স গোল্ড মেদল পুরগা লাকখি। মসিগী মখা তারকপদদি ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ন হোকি টিমনা ওলেম্পিক্স মেদল ফংবা ঙমদনা লাক্লি।

অমরোমদা, মণিপুরী মচানা ইহান হান্না য়াওখিবা কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্স গেমস (পী নিলকমল) অদুদসু ইন্দিয়ন টিম মঙাশুবা রেঙ্কতা লাকখি। গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা য়ু এস এবু ৫-১ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা স্পেনবু ৪-৩ দা থোইবা ঙমখি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবদদি ইন্দিয়া ২-৪ দা মায়থীবা নংহৌখি।

মখা তাবা মেচ ওইনা জর্মনিগা শান্নবদসু গোল চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি। কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্স গেমস অদুদা পাকিষ্টান্না গোল্ড, ৱেষ্ট জর্মনিনা শিলভর, গ্রেট বৃটেন্না ব্রোঞ্জ লৌখি।

মদুগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৮৮ গী সিওল ওলেম্পিক্স গেমসতসু মণিপুরী মচা ক্ষেত্রিময়ূম থোইবা ইন্দিয়ন হোকি টিমদা য়াওদুনা শান্নখি।

## মরিশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা থৌবাল ৱাংবল মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগী বোক্সরশিংসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়ুনিট/এসোসিএশন/ক্লবকী মিংদা শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা প্লেয়রশিংগী অরুম্বা ওনবনা থা অসিগী ১৭ কী অয়ূক পুং ৮ দগী ৱাংবল মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্কনি হায়নসু এসোসিএশনগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

## সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী অহৌবা মেচতা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসিদগী সেকমাই কাংজৈবুংদা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা ২৩ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ চত্থবা হৌখ্রে।

ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিম তরেৎ অদুদি গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিং, ৱাই এ সি য়াইস্কুল, ৱাফা ৱাঙ্গৈই, সাই আর সি তাকয়েলপাৎ, এন সি ক্লব খোঙহাম্পাৎ, এস সি কে কোদোম্পোকপী অমসুং কে এস সি লম্সুলেন্দনি।

ঙসিদগী চত্থবা হৌখ্রবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী অহৌবা মেচতা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিং অমসুং এস সি কে কোদোমপোকপী অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেচ অদুদা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংনা এস সি কে কোদোম্পোকপী গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে। ঙসিগী মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফনা গোল মথং মথং চঞ্জরবসু মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা গোল চন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা অমদি মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকপনা গোল মথং মথং চনশিল্লকপনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অহুম চনখি। হাফ মতুংদা অমুক গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংনা গোল অনী অমা অমুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৫ শুখি।

মেচ অদুদা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংগী গোলশিং অদু জেমসনা গোল অহুম মেচকী ৩০, ৩১ অমসুং ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি। হেনমিলেন্না গোল অমা মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা অদুগা কে জি কোমনা মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংগী বঙ্কিম মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা অদুগা হেনমিনলেন মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী মথংকী মেচ থা অসিগী ১৮ দা ৱাই এ সি য়াইস্কুল অমসুং কে এস সি লম্সুলেন্দ অনীনা অহানবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৪৫ তাবা মতমদা ৱাফা ৱাঙ্গৈই অমসুং সাই আর সি অনীনা শান্নরগনি।

## চান্দেলগী ইন্টর স্কুল গেমসকী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর (দি ৱাই এ এস ও) চান্দেলনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস ত্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৮ দা পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা মহা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী ইলিজিবিলিটি সার্টিফিকেটশিং অমদি এন্ত্রি ফোর্ম দি ৱাই এ এস ও চান্দেলদা পীশিল্লক্কদবনি। লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মশান্নশিং অদুদি আর্চরি, ফেন্সিং, শুটিং, জুদো, টাই ক্বান্দো, ৱেথলিফটিং, বোল্লিবোল অমসুং ফুটবোলনি।




## হেরা সিংহ মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দপতা থা অসিগী ৩ দগী কাংখূৎ তরুক্না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা অহানবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন'স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন্দনা দিবোং জি পি টিম এবু পাঞ্জল ১০-৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা দিবোং জি পি টিম এনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন্দনা কাং কাপ্পা হৌখি। মেচ অদুদা কাংখূৎ অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু অরোইবা পুংজাদা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন্দনা দিবোং জি পি টিম এবু পাঞ্জল ১০-৮ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা সি ঐচ রঞ্জিৎ কুমারনা অম্পয়র ওইখি অদুগা এন কুঞ্জমোহন সিংহনা স্কোরর ওইখি।

হয়েং মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা কে নেনা সিংহ মেমোরিএল লৈমরোল কাং টুর্নামেন্টকী মেচতা কে ৱাই সি কালিনগর অমদি এ সি এ কে কছারগা শান্নগনি।

## চান্দম ইনুংঙানবী মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা কুকি এস সিনা চিকিম ৱাই সিবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৩ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা সুপর লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচতা কুকি এস সিনা চিকিম ৱাই সিবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচতনা পি ৱাই সি অমদি এন ৱাই সি গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।



টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১ দগী চত্থরক্লিবা চহী ১৩ মখাগী মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা কুকি এস সিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা চিকিম ৱাই সিনা বোল কাওবা হৌখি। কুকি এস সিগী গোলশিং অদু জেমসনা গোল অমা মেচকী ১০ শুবা, হাওপুনা গোল অমা মেচকী ১৫ অমদি বাইকালনা গোল অমা মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা চিকিম ৱাই সিবু মায়থীবা পীখি।

HL-B/3223/29/07-28/08




HL-B/3252/8/8-7/9

লেংশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চূড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

